# ওর্গানিক ডেরি ফার্মিং

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী



**ওর্গানিক ফার্মিং** হায়বসি অনৌবা লৌউ-শিংউগী কাঙলোন অমদি নত্তে। মসি থায়নদগী হৌনা চৎনরল্লকবা য়ূমথোঙ খুদিংদা য়েন-ঙানু, শা-ষণ কয়া লোইদুনা মদুদগী ফংলকপা মথী, ময়ুং পূম্নমক্কা ইঙ্খোল/লৌবুক্তা হুন্দোক্তুনা নৎত্রগা হৈদোক্তুনা হার ওইনা শীজিন্নে। মসিনা অতোপ্পা রসায়নগী পোৎলম কয়া শীজিন্নদে । মসিবুনি ঐখোয়না ইচম চম্না ওর্গানিক ফার্মিং হায়না খঙনরিবা। ওর্গানিক ডেরি ফার্মিং হায়রগনা শঙ্গোম অমদি মীট ওর্গানিক ওইনা পুথোরক্কদবদু ওর্গানিক লোমদা য়োকপা হায়বদি মখোয়না লৈগদৌরিবা মফমদু নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না লৈবা, অফা অপুন লৈদুনা ৱাহন্দবা, পীজগদৌরিবা পোৎলম খুদিংমক রসায়নগী হার, কেমিকেল হীদাকশিং শীজিন্নদনা য়োকপদুবুনি।

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না শঙ্গোম পুথোকপসি ইন্দিয়াননি । অদুবু পুথোক্লিবা শঙ্গোমসি চাদা ৭০ দি লায়রা অনং খাঙদুনা লৈরিবা ফার্মর ঙাক্তনি। মরম অসিনা ওর্গানিক ডেরি ফার্মিং তৌবা মতমদা অসিগুম্বা ডেরি ফার্মরশিংবু ওর্গানিক ডেরি ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই।

**ওর্গানিক শঙ্গোমদা য়াওরিবা মরু ওইবা মচলশিং :**

ওর্গানিক হায়বদি ‘ওর্গানিক ওইনা থাবা অমদি ওর্গানিক ওইনা পুথোকপা হায়বসিনি। য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর (য়ু এস দি এ) ষ্টেন্দার্দকী মতুং ইন্না শঙ্গোম অমদি শঙ্গোমগী পোথোকশিংসি ‘ওর্গানিক’ ওইনা থাগে হায়রগদি ওর্গোনিক শঙ্গোম পুথোরক্কদবা ষণবীদু ওর্গানিক ওইনা মচিঞ্জাক পীজবা, য়াম্না চিন্না থন্বীদবা, নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংবা, রসায়নগী ওইবা হীদাক লাংথকশিং, হোর্মোনশিং অমদি অতোপ্পা হীদাক লাংথক অমত্তা শীজিন্নদবা ওইগনি। ওর্গানিক শঙ্গোমনা ওর্গানিক নত্তনবা শঙ্গোমদগী অহেনবা ন্যুত্রিয়েন্ট অমদি ভিটামিন শরুক হেন্না য়াওই। ওর্গানিক শঙ্গোমদদি এন্টিবাইওত্রিক্স অমদি হোর্মোনগী অরেম্বা অমত্তা য়াওদে অমদি কেলসিয়ম অমদি লীনোনীগ এসিদ মরাং কায়না য়াওই। মসিদসু নত্তনা ওর্গানিক্কী শঙ্গোমদদি ওমেগা-৩ মরাং কায়না য়াওই অমদি ভিটামিন ঈ চাদা ৫০ হেন্না ওর্গানিক নত্তবা শঙ্গোমদগী হেন্না য়াওই। ওর্গানিক শঙ্গোমদা এন্টিওক্সিদেন্টকী চাংসি ওর্গানিক নত্তবা শঙ্গোমদগী শরুক ২-৩ হেন্না য়াওই। ওর্গানিক শঙ্গোম থকপদা নোংমদা চঙগদবা ভিটামিন ঈগী চাংদু নুপাদা চাদা ১২ অমদি নুপীদনা চাদা ১৭.৫ পীরি।

**ওর্গানিক ডেরি ফার্মিংলোমদা লাক্নবা ষ্টেপ খরা :**

- ওর্গানিক্কী পোথোক পুথোক্নবা হোৎনবদা চঙগদৌরিবা খুদিংমক চেজনবীগনি। চেজনবা মতমদা ডেরি ফার্ম তৌবদা পীজগদৌরিবা মচিঞ্জাকশিংগী হৌরকফম, মখোয়দা নারকপা মতমদা শীজিন্নরিবা হীদাক লাংথকশিং অসিনচিংবা ময়াম অমা ইশিনবীগনি।
- শঙ্গোম পুথোক্কদৌরিবা ষণশিংদু মফমদুগী অকোয়বগী ফীভমদা লৈবা ঙম্বা ওইগদবনি।
- অশেংবা নুংশিৎ, নুংশা মঙাল নীংথিনা ফংবা মফমদা থম্বীদুনা মখোয়না কুনফম, পোখাফম, মশা মশাগী ওইবা মওংদা লৈনবা শেম্বীগনি।
- শঙ্গোম পুথোক্কদৌরিবা ষণবী খুদিংমক মতম মতমগী ওইবা কাপ্নবা য়াদ্রবা টিকা থাদোকপীবা য়াই । অদুবু জেনেটিকেল্লি ইঞ্জিনিয়রট তৌরবা টিকা থাবদি য়াদে।
- ওর্গানিক্কী শঙ্গোম পুথোক্নবা হোৎনবদা ষণবীশিংদা পীজগদৌরিবা মচিঞ্জাক খুদিংমক ওর্গানিক ওইনা থাবা ওইগনি অমদি মখোয়দগী ফংবা ষম্থি, ষণয়ুং অমদি অতোপ্পা অরেম্বা মচিঞ্জাকশিং শজিকশিং ময়ামসি পুমথহল্লগা রিসাইকল তৌদুনা ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিংদা অচৌবা থৌদাং লৌহনবীগনি।
- নারক য়েল্লকপা মতমদদি ভেটিরিনরিগী কেমিকেলগী হীদাকশিং শীজিন্নবীরোইদবনি। মসিগী মহুৎতা হর্বেল হোমিওপেথিক্কী হীদাকশিং নৎত্রগা থায়না অহল লমন, ইপা ইপুনা মশাগী ওইবা হীদাক কয়া অমা শীজিন্নদুনা অনা লায়েং তৌবদু ওইনা শীজিন্নগনি। করিগুম্বা ভেটিরিনরিগী কেমিকেল হীদাকশিং শীজিন্নবা তারগদি হীদাক খুদিংমক্তা হীদাক্তুগী ৱিথদ্রোএলগী মতম ইবা উগনি। হায়রিবা মতমসিদা পুথোরল্লিবা শঙ্গোমশিং ওর্গানিক ওইদে মতম লোইরবা তুংদা পুথোরল্লিবা শঙ্গোমদু ওর্গানিক ওইনা শীজিন্নবা য়ারগনি।
- ষণশিং পুথোক পুশিন তৌবা মতমদা মশা ৱাহনবা/চোকথহনবা তৌবিরোইদবনি।

**ওর্গানিক ওইনা মচা লৌবদা :**

- মচা লৌবা মতমদসু পুথোরক্কদৌরিবা মচাদু ওর্গানিক লোমদা লাক্নবা মফমদুগী অইং অশাগা চান্নগদবা ষণশিং ওইনা লোইবীগনি।
- মচা লৌবা মতমদা এ আর তৌবা হায়বদি মচা কাপ্পদি য়াই অদুবু এমব্রিও ত্রান্সফর তৌবদি য়াদে।
- জেনেটিকেল্লি ইঞ্জিনিয়রট তৌরবা মচাশিংদি ওর্গানিক ওইবা য়াদে।
- মচা পোক্নবা হোর্মোন শীজিন্নবসু য়াদে।
- মচা লৌবা মতমদা ষণ লাবা শীজিন্নগদবা ওইরগদি লাবদু ওর্গানিকলোমদা শেন্নবীগনি ।
- করিগুম্বদা পোক্কদৌরিবা মচাদু অমদি ষণবী শঙ্গোমদু ওর্গানিক লোমদা লাকহনগে হায়রগদি অহুমশুবা ত্রাইমেসটরদগী ওর্গানিকেল্লি মেনেজ তৌবা য়ারগনি।

**ওর্গানিক ওইনা মচিঞ্জাক পীজবদা :**

- ষণবী ষণাও খুদিংমক ওর্গানিক ওইবা মচিঞ্জাক পীজবীগনি।
- পীজগদৌরিবা মচিঞ্জাকশিং থাবা মতমদা কেমিকেল/রসায়নগী হার/হোরমোন শীজিন্নবীরোইদবনি।
- মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা অহেনবা তোঙানবা ভিটামিন/মিনরেলশিং ওর্গানিক ওইদবদি পীজবা য়াদে।
- শঙ্গোম থোকপী ষণশিংদা হেন্না শঙ্গোম থোক্নবা অতোপ্পা হীদাক লাংথকশিং শীজিন্নবা য়াদে। ষণাও মচাশিংসু ওর্গানিক্কী শঙ্গোম পীথকপীগনি অদুগা থা ৬ হেল্লগা ওর্গানিক্কী শজিক চাবা তম্বীগনি।

**ৱেলফ্যের মিজরশিং :**

মখাদা থল্লিবা হীরমশিং ওর্গানিকলোমদা লাকপদা চৎনবা য়াই।

- মশা শেমদোকপা
- মচী ককপা
- মনা অমদি মথা মশক খঙনবা ককথৎপা
- মশক খঙনবা অশাবা য়োৎনা মশাদা নম্বর শীজিন্নদুনা নম্বা
- মমৈ ককপদি ওর্গানিক ফার্মিং তৌবদা য়াদে।

**ওর্গানিক ওইনা লৈনবা চেকশিন থৌরাং লৌবা :**

- মকোন অদু লূ-নান্না নিংথিনা শেম্বীদুনা লায়না কয়া লাক্তনবা হোৎনবীগনি।
- লায়না লাল্লগসু থায়নগী হীদাক লাংথকশিং শেমদুনা পীজবা । মসিদা এন্টিবাইওটিক্স, হোর্মোন, পীজবীদুনা ষণবুশিংনা ওর্গানিকলোমদা লাক্তুনা পুথোল্লিবা শঙ্গোমসি ওর্গানিক ওইরগসু মসি সার্টিফিকেট অমা য়াওদ্রগদি চৎনবা য়াদে। মরম অসিনা সার্টিফিকেট পীবা ঙম্বা ওর্গানাইজেসন খুদম ওইনা হায়রবদা ওর্গানিক ফার্মরস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া, নেসনল ষ্টেন্দার্দ ওফ ওর্গানিক প্রদক্সন, এগ্রিকলচর এন্দ প্রোসেস ফুদ প্রদক্ট এক্সপোর্ট দিভলপমেন্ট ওথোরিটি অসিনচিংবশিংসি মখাদা থমজরিবা প্রোসেস অসুম্না তৌবীগনি।

ওর্গানিক সিষ্টেমগী ফোর্ম অমা লৌবীরগা এপ্লিকেসন থাজিনবীগনি

।

থাজিল্লবা তুংদা অহানবা ওইনা কম্মিটিনা রিভিয়ু তৌরবা তুংদা

।

ফিল্ডদা ইন্সপেক্সন লাক্তুনা ফার্মিং তৌরিবা ষণবুশিংগা উনদুনা ৱাহং পাউহং তৌরবা তুংদা

।

ফাইনেল রিভিয়ু তৌবা

ফাইনেল এপ্রুভেল লৌরবা তুংদা সার্টিফিকেসন দিসিজনলোমদা চে চাং পূম্নমক পীশিল্লবা তুংদা

।

সার্টিফিকেট ফংবা

।

চহী চহীগী ওইনা মখা তানা অমুক ইন্সপেক্সন তৌদুনা রিন্যু তৌবা

মীওইবা ঐখোয়না নাদ য়েক্তনবা চারিবা চিঞ্জাকশিং ওর্গানিক্কী পোথোক ওইহননবা ওর্গানিকলোমদা মায় ওনশিনবগী মতম য়ৌরে। মরম অসিনা হকচাং ফবনা লননি হায়বসিগী পান্দমদা ওর্গানিক ফার্মিং অসিদা মায় ওনশিল্লসি।

# ঈশিং ঈচাউ অমদি ৱেটলেন্দ

ডা: য়ুম্নাম বেদজিৎ সিংহ







**ৱেটলেন্দ** হায়বসি চহী চুপ্পা ঈশিং লৈবা নৎত্রগা চহী অমগী মনুংদা মতম খরা ঈশিং লৈবা মফমশিং অদুবুনি। হায়রিবা অসি মহৌশাগী ওইবসু য়াই নৎত্রগা খূৎশেমগী ওইবসু য়াই। নোংগী ঈশিংনা তুংদুনা লৈবা ওইবসু য়াই নৎত্রগা লৈনুংগী ঈশিং ওইবসু য়াই। অচেনবা ঈশিং ওইবসু য়াই নৎত্রগা ঈশিং ঈচুম ওইবসু য়াই নৎত্রগা থুমহি চেনবা ঈশিং ওইবসু য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা পাৎ, তুরেল, লৌবুক নৎত্রগা নাপী-শিংবী য়াম্না হৌবা ঈশিংসু লৈবা মফমশিং, ঈশিং ঈচাউবা য়ৌগনবা মফমশিং অসিনচিংবনি।

ৱেটলেন্দশিং অসি ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টকীদমক য়াম্না মরুওইবা মফমশিংনি। হায়রিবা মফমশিং অসিনা ঈশিংবু ফহনবদা মতেং পাঙই, ঈশিং ঈচাউ থোকহন্দবদসু অচৌবা মতেং পাঙই। মসিদসু নত্তনা জীব কয়াগী লৈফম পীদুনা অমদি মীওই কয়াগী শেল তানফম ওইরি। ৱেটলেন্দশিং অসিনা ঈশিং চুপশিল্লগা থম্বনা মরম ওইদুনা ঈশিং ঈচাউ থোকহন্দনবগী মরম অমা ওইরি। ঈশিং চাওখৎলকপা মতমদা চুপশিন্দুনা থল্লম্বা ঈশিংশিং অদু ঈশিং হন্থখ্রবা মতমদা তপ্না তপ্না থাদোরক্তুনা ঈশিংগী খুদোংচাদবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা ঈশিংদা য়াওবা ফত্তবশিং খুদম ওইনা হায়রবদা লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নবদগী চেন্থরকপা তীল হীদাক্নচিংবা কয়াবু চুপশিন্দুনা অফবা ঈশিং ওন্থোকহল্লি। তৌইগুম্বসুং ৱেটলেন্দ হায়রিবা মফমশিং অসি অসুম অসুম মাঙশিল্লক্লি।

মথক্তা পনখ্রিবা কান্নবশিং অসিগী মথক্তা ঐখোয় মীওইবদা কান্নবা অসুক্কী মতিক ৱেটলেন্দশিং অসিনা পীরি। পনবা য়াবা খরদি চানবা মনা মশিং, য়ূম-কৈ শাবদা শীজিন্ননবা উ-ৱাশিং, মখল কয়াগী থাউশিং, হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবা পাম্বীশিং, শা-ঙা কয়াগী মচিঞ্জাক ওইবা য়াবা পাম্বী কয়া অমদি ঙাশিংনি। মালেমগী ওইনা ফোরেষ্টশিংদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা কার্বোনগী শরুক অনী ৱেটলেন্দশিংদা ফাজিন্দুনা থমদুনা ক্লাইমেট চেঞ্জদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। জীব কয়াগী লৈফম অমদি মচা পোকফম কয়া পীদুনা ৱেটলেন্দশিং অসিগী বাইও দাইভর্সিটি অসি অসুক্কী মতিক ৱাংই।

অসুক্কী মতিক কান্নবা পীখ্রবা ৱেটলেন্দশিং অসিবু মাঙখিগদবদগী কন্ননবগীদমক মালেমগী লৈবাক কয়ানা মেম্বর ওইদুনা রামসর কনভেন্সন হায়বা লূপ অসিগী মখাদা খনগৎলবা ৱেটলেন্দ খরগী কন্ননবগী থবক থৌরম কয়া লৌখৎপা হৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং খনগৎলবা ৱেটলেন্দশিং অসিদদি য়াওহৌদবা ৱেটলেন্দ ময়াম অমগীদমক্তদি চেকশিন থৌরাং করিসু লৌখৎতনা লৈরি। খনগৎলবা ৱেটলেন্দশিং অসিগী মনুংদা মণিপুরগী ওইনসু লোক্তাক পাৎ য়াওরি।

হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা য়াম্না তোয়না ঈশিং ঈচাউ থোক্লিবসিগী মরুওইবা মরম অমদি ৱেটলেন্দশিং অসি ফজনা মেনেজমেন্ট তৌদবদগীনি হায়জনীংই। ৱেটলেন্দ মেনেজমেন্ট অসি ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টকা মরী য়াম্না লৈনৈ। ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টগী মতাংদা খরদং থমজগে। ৱাটরসেদ হায়বদি চীং-মান, চীংখোঙ, চীংখা, লৈতেম মান্নবা তম্পাক্কী লমশিং পূম্নমক ঈশিং তারকফম হায়বদি খোং, লোক, তুরেল অমখক্তদা ওইরবদি হায়রিবা মফমশিং অদুবু ঈশিং তারকফম অদুগী ৱাটরসেট কৌগনি।

নোংগী ঈশিং অসিনা অহানবদা অকংবা লৈমায়দা তারকপদা লৈমায়না চুপশিনবা ঙম্বমখৈ চুপশিল্লগা অহেনবা ঈশিং অদুনা লৈমায় মথক্তা থুমজিল্লকই। অতুংবা ঈশিং কুইনা লৈয়ুয়াদবনিনা অকুৎপা মফমলোমদা চেন্থরকই। হায়বদি লোক, পাৎ, তুরেল মথং-মথং চেন্থরগা মমৈদা সমুদ্রদা য়ৌখি। পাম্বীগী মনা, মউ অমদি মরানচিংবদসু নোংগী ঈশিং চুপশিনজহৌই। চুপশিনবা ঙমহৌদবা অহেনবা শরুক অদুনা লৈমায়দা তারকই। অঙম্বা চীংমাইদসু হৌরিবা উদুনা চুপশিনবা ঙম্বমখৈ চুপশিনজরবা মতুংদা চীংথক্তা ঈশিং তুংশিল্লকই ।

উমং ফজনা লৈবা চীং ওইরবদি ঈশিং চুপশিনবগী চাং ৱাংবনা নোংগী ঈশিং অয়াম্বনা চুপশিন্দুনা থম্বা ঙম্মী। উ য়াম্না হৌদবা অহাংবা চীংমাইদদি লৈবাক্না চুপশিনবা ঙম্বা খরমখৈ চুপশিল্লগা অরেম্বা ঈশিংশিংদু চীংখোংলোমদা য়াম্না থুনা অমদি অকনবা ঈচেলগা লোয়ননা চেন্থরক্তুনা অকনবা মথক থংবা লৈবাক লৈহাওশিংদু চীংখোংদা পুথরকই। চীংখোংদগী তুরেল য়ৌখিদুনা তুরেল খোংনুং থেলহল্লকই। করিগুম্বা দাম শাবা তুরেলশিংগী তুরেল খোংনুংদা পুথরকপা চীংগী লৈবাক্না দাম ফুনজিল্লক্তুনা দাম কায়হনবা ফাওবা থোকহল্লি।

মরম অসিনা উমং কোকথোকপা অমদি চীংদা পামলৌ উবা অসিনা লৈবাক লৈহাও চেন্থহনবদা মতেং য়াম্না পাঙবতা নত্তনা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপদা অকায়বা কয়া পী। লৈমায়গী মথক থংবা অমদি লৈহাও লৈবা শরুকশিং চেন্থখিদুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা পুখি অমদি সমুদ্র য়ৌখি।

নোংগী ঈশিংসু অমত্তা তুংহৌদনা লৈবাক্কা চেন্থমিন্নখ্রবনিনা লৈবাকসু ঈশিংসু তুংগী শীজিন্ননবা লৈহৌদবনা মরম ওইদুনা ঈশিং ফংদবা অমদি লৌউ-শিংউগী পোৎথোক পুথোকপা ঙম্লক্তবনা অৱাবা লমদম অমা ওইহল্লি। মীওই কয়াগী চিঞ্জাক পুথোকফম ওইরিবা লৈহাও চেনবা লৈবাক অসি মহৌশানা চহী কয়া চঙনা শেম্লকপা পোৎশক অমনি।

লৈহাও চেল্লবা পোৎথোক ফজনা পুথোকপা য়ারিবা লৈবাক্কী মথক থংবা শরুক অসি ঐখোয়না চেকশিনবীদবদগী নোংমা নোংমগী ফত্তবা লৈবাক ওনশিল্লক্লি। মতাং অসিদা থমজনীংবা অমদি মথক্তা পনজখ্রিবা খুদোংচাদবশিং অসিদগী কলহৌনবগীদমক্তা করি থবক থৌরম পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু ঐখোয় মীপুম খুদিংমক্কা খন্থমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি।